ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)

Vol. 49, Issue No. 264 | লৈবাকপোকপা, ৱাকচীংগী ১০/১১নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, December 30, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# লৈঙাক্লা দিসেম্বর ফাওবদা আই দি পিশিং হোংজিলহন্দ্রবা অমসুং অথুবা মতমদা নেশনল হায়ৱেদা ফ্রী মুভমেন্ট তৌহন্দ্রবদি অকনবা খোঙজং পরেং চঙশিল্লক্কদৌরি

## আই দি পিশিংবু 'দিসেম্বর' ফাওবদা ময়ূমদা হঞ্জিলহন্দ্রবদি লৈঙাক্লা হায়দোকখিবা ৱাফম ঙাক্তবনি হায়না লৌগনি আই দি পিশিং অমসুং সী এস ওশিংনা চপ চাবা দেমোক্রেটিক অমসুং লোগী মতেং লৌননবা খন্নরগনি : কোকোমি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ২১দগী হৌরগা ৩০ ফাওবা চথখিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা আই দি পিশিংনা মাঙজিল থানা চোংথোরক্তুনা মখোয়বু মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহল্লবা মতুংদা ফেষ্টিবেল অদু পাঙথোকপীয়ু হায়জরকপদগী কোকোমি অমসুং মীয়াম্নসু ৱাফম অদুদা শৌগৎলদুনা দিমান্দ অসি তকশিনবা




কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা দিসেম্বর ১, ২০২৫দগী হৌরক্লগা লম্বোইখোংনাংখোঙদা লেপ্তুনা চথরক্লিবা ৱাকৎ খোঙজংগী নুমিৎ ২৯নি শুরকপা দিসেম্বর ২৯, ২০২৫দা শরুক য়াখিবশিং

অকনবা খোঙজংশিং চঙশিনখ্রবসু লৈঙাক্লা ঙমদুনা ফেষ্টিবেল অদু পাঙথোকখ্রবা মতুংদগী দিমান্দ অসিবু তকশিল্লদুনা থা অসিগী ১দগী হৌরদুনা লম্বোইখোংনাংখোঙদা আই দি পিশিংনা চঙশিল্লক্লিবা ৱাকৎ খোঙজংগী ঙসি নুমিৎ ২৯নি শুরকপদা কোকোমি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## অথুবা মতমদা ফ্রী মুভমেন্ট য়াহন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিনবতা নত্তুনা হায় কোর্টতা ৱাকৎলগনি হায়না 'ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম, মণিপুর'না গভর্ণরদা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস) :** আই দি পিশিং অমসুং কোকোমিনা লৈঙাক্লা থাজবা পীখিবগী মতুংইন্না লোইশিনগদবা নুমিৎ হুম্নিদা ঙাইশিল্লক্লবা দিসেম্বর থা অসিগী মনুংদা আই দি পিশিংবু মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনগদবনি হায়বগী অকনবা খোঙজং চথরক্লিঙৈগী চৈরক্তা ইন্দিজিনস পিপল ফোরম, মণিপুরনসু ঙসি গভর্ণরদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা মণিপুরগী লান অসি হৌরকখিবদগী হৌজিক ফাওবদা চখোক-চৎশিন য়াহন্দনা থম্লক্লিবা নেশনল হায়ৱে অনীদা মহৌশাগুম্না ফ্রী মুভমেন্ট তৌহন্নবা থবক খুদক্তা পায়খৎলক্ত্রবদি দেমোক্রেটিক ওইবা




পব্লিক প্রোটেক্টশিং চঙশিল্লকপগা লোয়ননা কন্সটিট্যুশনননা পীরিবা মণিপুর মীয়ামগী হক ঙাকচনবগীদমক হায় কোর্টতা ৱাকৎলগনি হায়না খঙহনখ্রে।

ৱাকৎ চেরোল অদু ফোরম অসিগী চীফ এদভাইজর অসাং কসার অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি রামতাহুংবে অনীনা খুৎয়েক পীদুনা ঙসি পীশিনখিবনি হায়রি।

চেরোল অদুনা গভর্ণরদা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা মণিপুরগী লাইফ ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### লমায় অহুমদা

☛ পুয়া লোৎশিন্দুনা থমগদবা নত্তে, মীয়ামদা ফোঙদোক্তুনা খঙহনগদবনি...
☛ 'ইমা ঈমোইনু' গী থৌরমদা তৎনবা লৈররোই
☛ ঙসি অখন্নবা লিয়াংমাইগী ঈমোইনু কৈথেল ফমগনি
☛ জন্যুৱারী ১দগী কখুলোং কবুই খুলদা গান-ঙাইগী থৌরম পাঙথোক্কদবনা...
☛ ফ্রী দাইলাইসিসকী খুদোংচাবা লৌবীয়ু : ডা. শ্যামকিশোর
☛ মতৈ-মনাও য়াওনা য়ু জি ৩ ফারে
☛ কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা পোপি পাম্বীশিং য়াম্থৎখ্রে
☛ এ আই ৱাই এফ অমসুং এ আই এস এফ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা...
☛ হোম গার্দ কম্মান্দেন্টগী সর্ক্যুলর চৎনহনবীগনু হায়দুনা চীফ সেক্রেটরি...

## ইশাগী ইরমদমদা মমা-মপা লৈতবা মচা ১সুং মীনাইগী মওংদা হিংলে : টি ঐচ রমনি

### 'মৈরা পায়বী' হৌদোকখিবগী ৪৫রক শুবা নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে




**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস) :** হৌজিক মণিপুরগী মীয়াম অসি পোক্তবা ইমা-ইপানা য়োকপা মচাদৌনা ফন-ফন চোঙদুনা লৈরে অমসুং ইরমদমসিগী মায়কৈ খুদিং চৎপা য়াদ্রে হায়রদুনা ইশাগী থোঙ্গাল থোকপদা মী ঙাক্লগা চৎলে। পোক্তবা ইমা-ইপানা য়োকপসিবু ঙসিগী মীরোলনা য়েংবা নুংঙাইরিব্রা, হৌজিক মীয়াম অসি য়াম্না ৱারে, মীনাইগী মওংদা হিংলে। হৌখিবা কয়া কাউথোক্লরগা মহৌশাগী কাঙলূপ ফূরুপ খায়দবা, ফূরুপ খুদিংমক নুংশি চান্নবা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবা মণিপুর পাম্মী। হৌখিবা কাউথোক্লরগা অশোয়-অরান য়ামিন্নদুনা ঐনা হিংলিঙৈদা ...মখা লমায় ৮ কলম ১

## লৈঙাক্লা আই দি পিশিং তাঙ্কক ৩দা হঞ্জিলহল্লগনি হায়খিবদু মপূং ফানা পাঙথোক্ত্রি : ফোক্স

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস) :** লৈঙাক্লা আই দি পিশিংবু চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা তাঙ্কক ৩ থোক্লা মশা-মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনগনি হায়খিবদু হৌজিক ফাওবদা মপূং ফানা থবক্তা ওন্থোরক্ত্রি হায়না ফেদরেশন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশন্স (ফোক্স), মণিপুরগী এক্টিং প্রসিদেন্ট বি এম য়াইমা শাহনা ফোঙদোকখ্রে।




ৱাফম অসি ঙসি লূপ অসিনা শীন্দুনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবগী পান্দমদা 'নোর্মেলাইজেশন ইন মণিপুর' হায়বা হীরমদা হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা একাদেমিক দিস্কোর্স অমবু ময়ায় তাংবল লৌরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা অমদি লমদমসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## গভর্ণরনা থবক্তা ওন্থোরক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি : সী পি পি কে টি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস):** কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন এন্দ রেজর্ভেশন ওফ দি হিষ্টরিকেল রাইটস ওফ কৌব্রু এন্দ থাংজিং হিল রেঞ্জেসনা গভর্ণরনা মমাঙথক্তা পীখিবা থাজবশিং থবক্তা ওন্থোরক্লবা ঙসি নুংথিল অমুক হন্না মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম পীশিল্লুরগা থোরকপদা কম্মিটিগী সেক্রেটরি ৱাই শ্যাম খুমননা হায়, থাংজিং খুভমলেন, ইবুধৌ কৌব্রু খুভমলেন অমসুং মায়কৈ মরি ঙাক্লিবা ইবুধৌ চীং লাইফম খুভমলেনশিং অসি মে ৩, ২০২৩দগী থোরকপা ঈরাংনা য়েলহৌমীশিং মরু ওইনা মীতৈশিংনা ঈরাৎ থৌনিবা অমদি ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা



Authorised Dealers For Bajaj Auto Ltd.: Imphal MANIPUR BAJAJ 7629827502.
HL-B/9443/30